# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-12-2025)**

**দিজিপি (এল)ঃ** মনিপুরগী দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা মফম অদুগী ঙাকশেলগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

শ্রী সিংহনা চুরাচান্দপুর জিলাদা মথৌ তৌরিবা রাজ্য পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি অতৈ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা জিলা অদুদা ঙাকশেনবগা মরী লৈননা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখি। জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মদুগী মমাংদা, দি.জি.পিনা চুরাচান্দপুরগী এস.পি. ওফিসতা নৌনা শাবা কনফরেন্স রুম অমা শঙ্গাখি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা খাউপিজাং ভিলেজ সিমিত্রিগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এম.এ. থ্রি. এম.কে. টু রাইফল অমা, ইনসাচ রাইফল অমা অমসুং পোইন্ট থ্রি ৱান ফাইবগী রাইফল অমসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, আইননা য়াদবা থবকশিং চথবা, নম-হাদুনা শেল খায়বা অমসুং কিহন-খঙহনবগী থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা উমাথেল মথক লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাখি।

নুমিৎ অসিমক্তদা মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কুম্বী খুগা ৱাংমদগী প্রিপাক্কী মীওই অমসু ফাখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নম্বোল বজার লৈমপোকপা ক্রোসিং মনাক্তগী ঙরাং এন.আর.এফ.এমগী লালহৌবা অমসু ফাগৎখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থোংজ্ বোরোই মখোঙদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎখি। মখা তানা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইখোং উয়ুংগী অকোইবদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমসু ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং জিরিবাম জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লৈঙানপোকপীদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই মরিদগী ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেত কিলোগ্রাম ১৪৭ ফাগৎখি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** সরকারনা ফ্লাইটকী মমল অসি লৈবাক শিনবা থুংনা মান্নবা চাং অমদা থম্বগী ৱাফম লৈব্রা হায়না রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙরাং রাজ্য সভাদা হংখ্রে। মসিগী মথক্তা ইম্ফালদগীনা অতৈ অনকপা মেট্রো পোলিটান সহরশিংদা পাইরিবা ফ্লাইটশিংগী মশিং অসি হেনগৎহনবা য়াগদ্রা হায়নসু নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হংখি।

মদুগী পাউখুমদা সিভিল এভিয়েসনগী রাজ্য মন্ত্রি-মুরলিধর মোহোলনা হায়-সরকারনা ফ্লাইটকী টিকেৎ মমল লেপ্পা নত্তে।

ইয়ারলাইনশিংনা মখোয় মখোয়গী কম্পানি অদু চল্লাইনবা হোৎনবদা ফ্লাইটকী টিকেৎকী মমলশিং অদু ঙাইহাক লৈতনা অহোংবা লাকপনি। সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়নদি মফম মফমগী মতুং ইন্না ফ্লাইটকী মশিং হেনগৎপা য়াবগী অয়াবা পী। অদুমওইনমক, ইয়ারলাইন ওপরেটরশিংনা ফ্লাইট মশিং হেনগৎপা নৎত্রগা হেনগৎহন্দবগী ৱাফম অদু মখোয়না ৱারেপ লৌগনি। মখোয়গী শেন্দোং

লাকপগী মতুং ইন্না ফ্লাইট মশিং হেনগৎপগী ৱাফমশিং লেপ্পনি হায়রি।

**বিমোল(এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোম বিমোল অকোইজমনা ঙরাং সংসদকী মীফমদা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্ননবা তকশিনখ্রে।

বন্দে মাতরমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা ৱা ঙাংবদা শ্রী অকোইজমনা মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমসুং লাঞ্জেন্নরকপশিংগী মতাংদা পুং অহুমগী মতম কায়থোক্তুনা খন্ন-নৈনবা তকশিনখি। মহাকা হায়-লাঞ্জেন্নরকপা মীওই লিশিং ৬০ রোম হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরি। মখোয়বু ইজৎ লৈনা হিংহন্নবা অমসুং মখোয়বু খুন্দা লৈতাহন্নবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎনবসু মহাকা তকশিনখি।

মনিপুরদা মপুং ফানা শান্তি হনজিল্লকবা অমসুং লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং নীংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থবক নীংথিনা পায়খৎপীদে হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**ফয়ার(এল)ঃ** নোনেগী ফয়ার সব ষ্টেসন ঙসি শঙ্গরগনি।

ফয়ার সার্ভিসকী পাউনা হায়-শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা এম.এল.এ. দিংগাংলুং গাংমৈ, মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর-এল. নবাচন্দ্র অমসুং নোনেগী এস.পি. নমসাদাই পিটর শরুক য়াগনি। নোনে এরিয়াদা মৈহৌ লাংপোক য়াওনা মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা মতেং পাংবা ঙমনবা ফয়ার সব ষ্টেসন অসি হাংদোকপনি হায়রি।

**পিএমঃ** ভারত অমসুং হথিওপিয়াগী মরক্তা ঙরাং য়ান্ন-চে অহুম সহি তৌনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ইথিওপিয়া খোঙচৎ মনুংদা ঙরাং আদিস অবাবাদা য়ান্ন-চেশিং অদু সহি তৌনখিবনি।

য়ান্ন-চেশিং অদুগী মনুংদা ইথিওপিয়াগী এম্বেসিদা দাটা সেন্টর অমা হাংদোকপা অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স পিছ কিপ্পিংদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবা হায়বনচিংবা য়াওরি। য়ান্ন-চেশিং অদু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং ইথিওপিয়াগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: আবি অহমদ আলিগী মমাংদা সহি তৌনখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী মতাংদসু লুচিংবা অনিনা পাক চাউনা খন্ন-নৈনখি।

শ্রী মোদিনা ঙসি ইথিওপিয়া সংসদকী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ইথিওপিয়াদা থুংবদা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিং অমদি মীয়ামনা হরাও তয়ামা ওকখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী চয়োল অমা চুপা খা-ভারত্তা চৎকদবা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

মহাক্কী খোঙচৎকী অহানবা ওইনা ঙসি তামিল নাদুগী ভেলরদা থুংগনি। মহাকা শ্রীপুরম গোর্ল্ডন টেম্পলদা চৎতুনা লাই খুরুমগনি। রাস্ত্রপতিনা মেদিটেসন পেবিলিয়ন অমা শঙ্গাগনি অমসুং টেম্পল অদুগী কমপ্লেক্সতা উ চারা থাগনি। তামিল নাদুগী রাজ্যপাল-আর.এন. রবি অমসুং কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: এল. মুরুগাননা রাস্ত্রপতিবু ভেলরদা হরাউ তয়ামা ওক্কনি। শ্রীমতি মুরমুগী থা অসিগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা খোঙচৎ অসিগী মনংদা করনাতক অমসুং তেলঙ্গানাদসু চৎকনি।

**অমিতঃ** রাজ্য ২০ গী পঞ্চায়েটি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংদা কম্ম্যুনিতি বেস দিজাস্তর রিস্ক রিদক্সন ইনিসিয়েটিব হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা জাতিগী প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা লুপা কোতি ৫০৭ কী শেনফম গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী কমিতিগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে।

গৃহ মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-নেসনেল দিজাস্তর মিটিগেসন ফন্দ অসি কুমজা

২০২১দা হৌদোকখিবনি। ঙসিদি থৌশিল অসিগী কান্নবা পঞ্চায়টকী থাক ফাওবদা য়ৌবা ঙমলে। নৌনা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিনা রাজ্য ২০ গী মহৌশাগী খুদোংথিবা তোইনা থোক্কনবা মফম ৮১ কোনশিনগনি। চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী মনুংদা কেন্দ্র সরকারনা এস.দি.আর.এফকী মখাদা রাজ্য ২৮ গীদমক লুপা কোতি লিশিং ১৬,১১৮ থাদোকখ্রে। অদুগা এন.দি.আর.এফকী মখাদনা রাজ্য ১৮ গীদমক লুপা কোতি লিশিং ২,৮৫৪ হেন্না থাদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিনবদা ঙায়রিবা তোরবুংগী খুঞ্জাশিংদা কুকিশিংনা নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিল্লকখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফম পাউচেদা-লাঞ্জেন্নরুবদগী ময়ুমদা হনজিনবদা ঙায়রিবা তোরবুংগী খুঞ্জাশিংদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপ্তুনা লান দারক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীরদুনা হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন অমসুং সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিগী লৈঙাংচিংদা ক্রোর ৩২০ গী দ্রগ ফাগৎখ্রে। ইন্দো ম্যান্মার বোর্ডরদা মীতোপ লিশিং ১,১৬৫ ফাগৎখি হায়বা পাউশিং সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা ইম্ফাল রেলৱে প্রোজেক্টনা খুল কয়াদা ইকং থোকহন্দুনা অৱাবা মায়োকহল্লে। থকবা ঈশিং ফংদ্রে। নোং ঙাইরগা লৌ উবগী ফিভমদা লৈরে হায়না খুঞ্জা অমনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কছার পুলিসনা অসামদগী লুপা কোতি ২৬ রোমগী য়াভা টেব্লেত লিশিং

৯০ ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ৱাটরসেদ মহোতসব হৌদোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

স্পিকরনা অয়াবা পীরকখিদ্রবসু এম.পি. বিমোলনা মনিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা খন্ননবা লোক সভাদা এদজোরমেন্ট মোসন থাংগৎখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদগী ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। অথুবা মতমদা অনৌবা সরকার অমা শেমদুনা তংদু লৈতাবা ফিভমদা হনজিল্লক্লগনি হায়না এম.এল.এশিংনা থাজবা পীরকখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা ঙসি ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল ২০২৫ হৌদোক্লগনি হায়বা পাউ গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।